# এসিয়ন গেমসতা নুপাগী হোক্কী চাংদম্নবা য়াওরকখিবসি কুমজা ১৯৫৮দা টোকিওদা তৌখিবা চহীসিদগীনি

কুমজা ২০১৪ গী ইঞ্চিওন গেমসতদি ইন্দিয়াগী নুপা হোক্কী টিম সনাগী মেদল লৌরকখিবনি। অদুবু, হন্দক পাঙথোকখিবা ইন্দোনেসিয়া এসিয়ন গেমস ২০১৮ অসিদি, শেঞ্জেংগী মেদল পুরগা লাকখি। ইন্দিয়াগী নুপা হোক্কী টিমনা, এসিয়ন গেমসতা করম হায়না লাকখিবগে হায়বা তারবদি কুমজা ১৯৫৮দগী য়াওরকখিবনি।

অমরোমদসু, নুপাগী হোক্কী অসি এসিয়ন গেমসকী অহুমশুবা ইদিসন ওইনা ১৯৫৮ দা টোকিওদা তৌখিবা অদুদা হাপচিল্লকপনি। এসিয়ন গেমস হেক হৌবগা, হোক্কী হায়বা মশান্নসি কম্পিটিটিব স্পোর্টস ইভেন্ট ওইনা য়াওরকখিদে। চাংদম্নবা য়াবা গেম মথং মথং হাপচিন্নরকপদা, ১৯৫৮ অসিদা য়াওরকখিবনি। অদুগা ইন্দিয়ন মেন্স হোক্কী টিমগী ওইনদি, ১৯২৮ দগীনা ১৯৫৬ ফাওবা নিপানলক ওলিম্পিক গেমসতা সনাগী মেদল লৌবা ঙমখ্রবনি।

অমরোমদা, পাকিস্তান্না ওলিম্পিকতা খোঙদারকখিবদি ইন্দিয়া পাকিস্তান খায়দোকখ্রবা মতুং কুমজা ১৯৪৮গী "লন্দন ওলিম্পিক গেমস" তগীনি। ১৯৫৮ দা জপানগী টোকিওদা তৌখিবা "অহুমশুবা এসিয়ন গেমস" তা ইন্দিয়াগী নুপা হোক্কী টিমদা য়াওখিবা লৈবাকসিগী মমিং লৈবা শান্নরোয়শিংদি, বলবির সিংহ (পঞ্জাব), কেন্টো, উধম সিংহ (পঞ্জাব), এল ক্লাউদিশ (বেঙ্গল), শঙ্কর লক্ষমন (সর্ভিসেস), দেশ মাথু (বেঙ্গল), গুরুজিৎ সিংহ (পঞ্জাব), দি পি রটি (য়ু পি), মহমদ য়াকুব কুরেশি (রেলৱেজ), বলবির সিংহ জুনিয়র (রেলৱেজ), বাল কিষন (রেলৱেজ), বকসিশ (পঞ্জাব), এন আর চৌহান (বোম্বে) অমসুং এ দল্লিয়ু ব্লেক (য়ু পি) নি।



রত্নেশ্বরি গোশ্বামী
এসিয়ন গেমসতা ইন্দিয়াগী নুপা হোকি টিম

হায়রিবা গেমস অদুগী অহানবা মেচ ওইনা ইন্দিয়াগা মলেসিয়াগা শান্নখি। মদুদা ইন্দিয়ন মেন্স হোক্কী টিমনা মলেসিয়াবু ৬-০ দা মায়থীবা পীখি। মথং অনীশুবা মেচতসু ইন্দিয়ানা সাউথ কোরিয়াবু ২-১ দা থোইবা ঙমখি। অহুমশুবা মেচতা জপানগা শান্নবদসু ইন্দিয়ানা ৮-০ দা মায়থীবা পীখি। অসুম্না মথং মথং থোইদুনা লাক্লগা ফাইনেলদা পাকিস্তানগা থেংনখি। ফাইনেল মেচ অদুদা ইন্দিয়া পাকিস্তান গোল চন্নবা ঙমদনা ০-০ দা দ্রো চংখি। অদুবু মমাঙদা শান্নখিবা মেচশিংদা য়েংলগা পাকিস্তাননা গোল স্কোর তৌবা হেল্লমদুনা, পাকিস্তান্না ৱিন্নর ওইরে হায়না লাউথোরকখি। অসুম্না, পাকিস্তাননা এসিয়ন গেমসকী নুপাগী হোক্কীদা ইহান হানবা ওইনা ৱিন্নর ওইখি।

এসিয়ন গেমসকী নুপা হোক্কীগী পুৱারী হঙ্গৎনা য়েংলুবদা ইন্দিয়ানা অয়াম্বা মতমদা ফাইনেলদা ইতৎ তত্তনা থেংনবসি পাকিস্তানগা ওইরি। মসিগী মখা চত্থরকপা কুমজা ১৯৬২ দা জকরতানা য়ূম্ন ওইদুনা চত্থখিবা মরিশুবা এসিয়ন গেমসতসু ইন্দিয়াগা পাকিস্তানগা ফাইনেলদা অদুমক থেংনখি। জকরতা এসিয়ন গেমসতদি পঞ্জাবকী গুরুদেব সিংহনা ইন্দিয়ন টিমগী কেপ্টেন ওইনা লুচিংখি।

হায়রিবা গেমস অদুগী অহানবা মেচতা ইন্দিয়াগা মলেসিয়াগা শান্নখি। মদুদা ইন্দিয়ানা ৩-০ দা থোইখি। অনীশুবা মেচতা সাউথ কোরিয়াগা শান্নবদসু ৫-০ দা মায়থীবা পীখি। হোং কোংগা থেংনখিবদসু ইন্দিয়ানা ৪-০ দা থোইবা ঙমখি। সেমি ফাইনেলদা জপানগা শান্নখিবদসু জপানবু ৭-০ দা মায়থীবা পীখি। অদুবু ফাইনেলদদি পাকিস্তাননা ইন্দিয়াবু ২-০ দা থোইদুনা ইন্দিয়ন টিম রন্নর্স অপ তাখি। ইন্দিয়াগী নুপা হোক্কী টিমনা ইহান হানবা ওইনা সনাগী মেদল লৌবা ঙমখিবদি ১৯৬৬তা তৌখিবা মঙাশুবা এসিয়ন গেমসতনি। মসিগী মমাঙদদি ইন্দিয়ন টিমনা পাকিস্তান টিমবু লাকশিন্দুনা সনাগী মেদল পুরকপা ঙমখিদে। মরম অদুনা থংন-থংননা পাকিস্তান ৱিন্নর ওইখি।

ইন্দিয়ন মেন্স হোক্কী টিমনা ৱিন্নর ওইরকখিবা ১৯৬৬ তা শান্নখিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংদি - শঙ্কর লক্ষমন (টিম কেপ্টেন), গুরু বক্স সিংহ (বেঙ্গল), পর্থিপা সিংহ (পঞ্জাব), ধরম সিংহ (পঞ্জাব), মোহিন্দর লাল (রেলৱেজ), বলবির সিংহ (সর্ভিসেস), হরবিন্দর সিংহ (রেলৱেজ), হরিয়ান কৌশিক (সর্ভিসেস), বলবির সিংহ (রেলৱেজ), জগজিৎ সিংহ (পঞ্জাব), এ এল ফ্রেঙ্ক (রেলৱেজ), ভি জি পিটর (সর্ভিসেস), ইন্দর সিংহ (রেলৱেজ), তারসেম সিংহ (পঞ্জাব), হরমীক সিংহ (পঞ্জাব), বলবির সিংহ (রেলৱেজ), জগদিপ সিংহ (পঞ্জাব), এন তোপ্পো (সর্ভিসেস) নি। ১৯৬৬ কী অহানবা মেচতসু ইন্দিয়ানা মলেসিয়াবু ১-০ দা থোইখি। অনীশুবা মেচতসু ইন্দিয়ানা সিলোনবু ৩-০ দা মায়থীবা পীখি। অহুমশুবা মেচতসু ইন্দিয়ানা সাউথ কোরিয়াবু ১-০ দা থোইবা ঙমখি। অদুগা, সেমি ফাইনেল মেচতা ইন্দিয়ানা জপানবু ৩-০ দা মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল য়ৌরকখি। লোয়ননা বেঙ্কোক এসিয়ন গেমস ১৯৬৬ কী নুপাগী হোক্কী ফাইনেলদা, ইন্দিয়াগা পাকিস্তানগা অকনবা লম্বা তৌনখি। মদুদা, ইন্দিয়ানা ১-০ দা থোইদুনা চহীদুদদি ৱিন্নর ওইবা ঙমখি।

মথং মথং...

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৭৮

১। মহাক ৱর্ল্ড রেকোর্দ অহুম্লক থুগাইখি, এসিয়ন গেমস অহানবা ওইনা শরুক য়াবদা হান্নগী রেকোর্দ থুগাইদুনা সনাগী মেদল ফংখি। এসিয়ন চেম্পিয়নশিপ অনীরক, এসিয়ন গেমস অনীরক্তা সনাগী মেদল ফংখিবা, এসিয়ন রেকোর্দ চহী ২৫ হেন্না পায়খিবা এথলেট অদু কনানো?

২। অসাম ওলেম্পিক এসোসিএসনগী অহানবা প্রসিদেন্ট (ফাউন্দর প্রসিদেন্ট) অদু কনানো?

৩। মহাক ওলেম্পিক্কী থৌরম অহুমদা মকোক ওইখি। থৌরম অমদা অনীশুবা তাখি। মরৈবাক্তা হল্লক্লবা মতুংদা কম্পিটিসন য়াওবা চহী অনী থিংখি। নাজিগী কন্সেনত্রেসন কেম্পতা অনীশুবা লাঞ্জাওদা শিখি। মহাক জিউনি। মহাক্কী মমিং করি কৌবগে?

৪। মহাক্না অহানবা ওইনা ওলেম্পিকতা শরুক য়াবদা সনাগী মেদল ফংখি। মদুদা অনীশুবা তাখিবা লমজেল্লোয় অদুগা রেকোর্দ চপ মান্নখি। মথংগী ওলেম্পিক গেমসতসু অনীশুবা তাখিবা লমজেল্লোয় অদুগা রেকোর্দ চপমান্ননা লমথুংফম য়ৌখ্রবসু মহাক্না মকোক ওইখিবা লমজেল্লোয় অদু কনানো?

৫। ফুটবোল টিম অনীগী শান্নরোয়শিংগী পূন্না নমিন্নবা ফোটো অমা পীরিবা অসিদা টিম অমদি নামিবিয়ান লিজেন্দস (Namibian Legends) নি। অতোপ্পা টিম অসিগী মমিং পীয়ু।



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ইন্দিয়া ইংলেন্দগী রন ৭৪ শোঙখদুনা লৈরি

লন্দন, সেপ্তেম্বর ০৯(এজেন্সী)ঃ

অরোইবা অমদি মঙাশুবা টেষ্ট মেচতা ইন্দিয়া ইংলেন্দগী রন ৭৪ শোঙখদুনা লৈরি।

থা অসিগী ৭তগী শান্নবা হৌখিবা ৫শুবা টেষ্ট মেচ অদু ইংলেন্দনা টোস ঙমদুনা বেট্টিং হান্না তৌখি। পনবা য়াবদি ইংলেন্দগী কেপ্তেন জো রুটনা মেচ মঙামক্কী টোস ঙমখি। ইংলেন্দনা বেট্টিং হান্না তৌরকপদা অহানবা ইন্নিংস অদু ৱিকেট ১০ তুরগা রন ৩৩২ লৌখি। টিম অদুগী ওপন্নর এলিষ্টর কুকনা য়াম্না ফজবা রন ৭০ স্কোর তৌরমখি। অহুমশুবা বেটচমেন মোইন আলিনা রন ৫০ অদুগা জোস বটলরনা রন ৮৯ লৌদুনা টিম অদুগী বেটচমেনশিংগী মনুংদা খ্বায়দগী ফজবা ওইখি।

ইন্দিয়ানা ইংলেন্দগী অহানবা ইন্নিংস অদুগী পাউখুমদা শান্নরকপদা পূন্না রন ১৯২ লৌবা ঙমখি। ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ৮শুবা বেটসমেন রবিন্দ্র জাদেজানা আউট ওইদনা বোল ১৫৬তা সিক্স অমগা ফোর ১১ য়ৈরগা রন ৮৬ লৌদুনা লৈখি। ইন্দিয়াগী কেপ্তেন ভিরাট কোলি রন ৪৯ লৌখি।

টেষ্ট সেরিজ অসিদা অহানবা ওইনা বেটসমেন ওইনা শরুক য়ারকখিবা হনুমা বিহারি রন ৫৬ লৌদুনা ইন্দিয়াগী অপূনবা স্কোরদা চাউনা মতেং পীখি। ওপনর লোকেস রাহুলগী রন ৩৭ অমসুং চপ মান্নবা রন মশীং লৌরম্বা চিটেশ্বর পুজারাগী কন্ত্রিব্যুসন অদুনা রন ২৯২ য়ৌখি।

ইংলেন্দনা মখোয়গী অনীশুবা ইন্নিংস শান্নবা হৌরকপদা কুক অমসুং কিটন জেন্নিংস শান্নখি। ইন্দিয়াগী মহম্মদ সামিনা জেন্নিংস আউট তাহনখ্রবা মতুং থেংনা ফংবা পাউদা ইংলেন্দগী অনীশুবা ইন্নিংস অদু ৱিকেট অমা আউট ওইরগা রন ৩৪ লৌদুনা ইন্দিয়াদগী মখোয়না রন ৭৪ হেন্দুনা লৈরি।

# ইটালি অমসুং পোলেন্দ দ্রো চংখ্রে, রসিয়ানা টর্কি পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে



ৱারসো, সেপ্টেম্বর ০৯ (এজেন্সী)ঃ

য়ুরোপ কন্টিনেন্টকী ফুটবোল শান্নবা লৈবাক ৫০মক্লা কাঙলূপ ৪ থোক্লা থল্লবা মতুং কাঙলূপ অমমমদা গ্রুপ ৪ লৈদুনা থা অসিদগী হৌরগা নবেম্বর থা ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেচ অমদা য়ূম্নু লৈবাক পোলেন্দ অমসুং ইটালি দ্রো চংখ্রে। টর্কিদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেচ অমদা রসিয়ানা য়ূম্নু লৈবাক অদুবু পাঞ্জল ২-১দা থোইখ্রে।

পোলেন্দগী সিটি ৱারসোদা পাঙথোকপা নেসন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অদুগী গ্রুপ মেচ অমদা ইটালি অমসুং য়ূম্নু লৈবাক অদুনা লম্বা তৌনবনি। য়ূম্নু পোলেন্দগী মায়কৈদগী পিওটর জহিলস্কিনা মেচকী অহানবা হাফ লোইগদবা মিনট ৫ ৱাৎলিঙৈদা য়াম্না শাফু কল্লবা বোল্লি অমগী মতেংনা মেচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি।

অনীশুবা হাফকী অয়াম্বা শরুক ইটালিনা শোঙখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈরকখি। অদুবু শান্নবগী ৭৭শুবা মিনটতা ইটালিনা পুশিল্লকপা বোল অমা টিম অদুগী মিদফিল্ডর জাকুপ ব্লাসিকোস্কিবু পোলেন্দগী ফেদেরিকো সৈসানা পেনালটি এরিয়া মনুংদা ফাওল তৌরুবগীদমক পেনালটি অমা রেফ্রিনা ইটালিদা পীখি।

ইটালিগী মায়কৈদগী জোর্গিনোনা পেনালটি অদু পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা স্কোর বোর্দতা ইটালিগী পাঞ্জল অমা লোয়ননা পোলেন্দগী পাঞ্জল অমা লৈখি। লীগ এগী গ্রুপ থ্রিদা ইটালি অমসুং পোলেন্দ দ্রো চংলবা মতুং ইটালিনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা পোর্টুগলগা শান্নগদৌরি।

লীগ বিগী গ্রুপ টুদা টর্কিগী ত্রাবজোন সিটিদা লৈবা মেদিকেল পার্ক এরেনাদা লৈবাক অদুনা রসিয়াবু য়ূম্নু ওইরগা শান্নখি। শান্নবগী ১৩শুবা মিনটতা রসিয়াগী চেরিসেফনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। অদুবু হাফ অদু লোইগদবা মতম য়ামশিল্লক্তুরবদা টর্কিগী সেদর অজিজনা ইক্বেলাইজ অদু চনখি।

পাঞ্জল মান্নরবা মতুং অনীশুবা হাফতা টর্কিগী দিফেন্দরশিংগী মরক্তা অশোয়বা লৈখিবদগী রসিয়াগী কিদন টেল্লিনা শাফু কল্লবা সোট অমা পাঞ্জল ওইহনখিদুনা মেচ অদু মখোয়না ২-১দা থোইখি।

# য়ু এস এগী সেরেনা ৱিল্লিয়মসপু মায়থীবা পীদুনা অহানবা ওইনা জপান মচা নাওমি ওসাকানা য়ু এস ওপন গ্রান্দ স্লাম টেনিস টাইটল লৌবা ঙমখ্রে

ন্যু য়োর্ক, সেপ্টেম্বর ০৯ (এজেন্সী)ঃ

য়ু এস ওপন গ্রান্দ স্লাম টেনিস টুর্নামেন্টকী পুৱারীদা অহানবা ওইনা জপান মচা নুপী শান্নরোয় নাওমি ওসাকানা য়ু এস এগী সেরেনা ৱিল্লিয়মসপু ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

নীংশিংবা য়াই, টুর্নামেন্ট অসিদা ২০শুবা সীদেদ ওইনা শরুক য়ারকখিবী জপানগী নাওমি ওসাকানা সেমী ফাইনেলদা য়ু এস এগী অতোপ্পা শান্নরোয় ১৪শুবা সীদেদ মেদিসন কিজপু ৬-২, ৬-৪দা মায়থীবা পীরকখি।

অমরোমদা ১৭শুবা সীদেদ ওইনা শরুক য়ারিবী টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল কয়া ফংবা ঙমখ্রবী য়ু এসকী সেরেনা ৱিল্লিয়মসনা মহাক্কী সেমী ফাইনেলদা লাটভিয়াগী শান্নরোয় অনাষ্টসিয়া সেবাষ্টোবাবু ৬-৩, ৬-০দা মায়থীবা পীরখি।

ঙরাং শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা মশাগী চহী ২০দা ঙাইরিবী নাওমি ওসাকানা মহাক্না পীক্লিঙৈদা মহাক্কী আইদোল ওইনা থমখিবা সেরেনা ৱিল্লিয়মসনা ফাইনেল শান্নবদা য়াম্না মোং হাদনা সেরেনাবু লম্বা পীরকখি।

অহানবা সেট অদুদা সেরেনা ৱিল্লিয়মসকী সর্ভিস গেম অনী ওসাকানা ব্রেক তৌদুনা ইৱা ৱাদনা অহানবা সেট অদু ৬-২দা থোইখি। অনীশুবা সেটতা সেরেনা ৱিল্লিয়মসকী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা পীরত্তুনা শান্নবা ঙমখি। অদুবু ওসাকাগী মগুন লৈরবা গ্রাউন্দ ষ্ট্রোকশিং অমদি বোল্লিশিং লাকশিল্লক্তুনা সেরেনাগী সার্ভিস গেম অমসু মতাং মতম চানা ব্রেক তৌবা ঙমখিবদগী অমদি মশাগী সার্ভিস গেমশিং অদু হোল্ড তৌবা ঙমদুনা অনীশুবা সেট অদু ৬-৪দা থোইরগা জপানগী অনৌবা পুৱারী ইবা ঙমখিবনি।



ফাইনেল মেচ অদুদা অম্পয়র ওইখিবা কার্লোস রামোসকী মথক্তা সেরেনা ৱিল্লিয়মসনা অকনবা ৱাহৈ শীজিন্নদুনা মহাক্কী মথক্তা ৱা ঙাঙখি। মরুওইনা লাইন কোলশিংদা সেরেনা ৱিল্লিয়মসকী মায়োক্তা পোইন্ট খরা লৈখিবা মরম অদুনা সেরেনা শান্নবদা পূক্নিং চঙবা ঙমদনা অশাউবা উৎখি। মদুগী মখা চত্থরকপদা মহাক্কী রেকেট ফাওবা থুদেক্তুনা পেন্দবা ফোঙদোকখি।

য়ু এস ওপন গ্রান্দ স্লাম টেনিস টুর্নামেন্ট অসিদা নুপাগী সিঙ্গলসতা শরুক য়াখিবা জপানগী শান্নরোয় কৈ নিসিকোরি সেমী ফাইনেলদা সর্বিয়াগী নোভাক জোকোভিচনা মায়থীবা পীরম্বনি। অদুবু নাওমি ওসাকানা টাইটল ফংবা অদুদা মহাক্কী মায়কৈদগী অপেনবা অমদি থাগৎপা ফোঙদোকখি।

জপানগী প্রাইম মিনিষ্টর সিমজো অবেনা ওসাকাবু জপান পূম্বগী ওইনা থৌনা পীরে হায়খি। শজোলশেল নুমিৎতা লৈবাক অদুগী নোংপোক থংবা ঈথৎ হোকাইদোদা কন্না য়ুহা হাবদগী য়ামদ্রবদা মীওই ২১ শিখিবা অদুগী নুংঙাইতবা থৌদোক অদুগী মরক্তা ওসাকানা য়ু এস ওপনগী নুপীগী চেম্পিয়ন ওইরকপা অসিনা অৱাবা খরদি কোকহনবা ঙমগনি হায়না মহাক্না থাজবা ফোঙদোকখি।

ওসাকানা নুপীগী চেম্পিয়ন ওইদুনা শেলগী মনা ওইনা য়ু এস দোল্লর মিল্লিয়ন ৩.৮ ফংখি।

ওসাকানা ফোঙদোকখিবদা, ন্যু য়োর্ক্কী ফাইনেল মেচ অদুবু মীৎয়েং তাবা লাকখিবা মীয়াম্না সেরেনা ৱিল্লিয়মসকীদমক পূক্নিং থৌগৎতুনা খূবাক কয়া খুরবসু মহাক্কী মায়কৈদগীদি টেনিস মশান্না অদু চুম্না শান্নখিবখক্তনি। মহাক্না পীক্লিঙৈদগী মঙলকপা মঙলান অমা য়ু এস ওপন ফাইনেলদা সেরেনাগা শান্নবা অদু মঙফাওনখিবগা লোয়ননা মায় পাকপা ঙমখিবা অদুদা সেরেনা ৱিল্লিয়মসপু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

মায়থীরবী সেরেনা ৱিল্লিয়মসনা মহাক্কী করিয়রগী ২৪রকশুবা গ্রান্দ স্লাম টাইটল ফংনবগী লম্বেল অমা লৈরম্বা অদু জপানগী নাওমি ওসাকানা মরক্তা থদৎখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মিক্স দবলসকী ফাইনেলদা ঙরাং গ্রেট বৃটেনকী নুপা শান্নরোয় জেমি মুরে অমসুং য়ু এস এগী বেথনি মাটেক সেন্সনা পোলেন্দগী এলিসিয়া রোজোসকা অমসুং ক্রোসিয়াগী নিকোলা মেকটিকপু মায়থীবা পীদুনা টাইটল ফংখি।

মিক্স দবলসকী অহানবা সেট অদু পোলেন্দ অমসুং ক্রোসিয়াগী পেয়র অদুনা গ্রেট বৃটেন অমদি য়ু এস এগী পেয়রবু ৬-২দা থোইখি। অদুগা অনীশুবা সেটতা জেমি মুরে অমসুং বেথনি মাটেক সেন্সনা ফজরক্তুনা ৬-৩দা সেট অদু থোইবদগী দিসাইদিং সেটতা লম্বা মখা তাখি। মদুদা গ্রেট বৃটেন অমসুং য়ু এস এগী পেয়র অদুনা ক্রোসিয়া অমদি পোলেন্দগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা পীরকপা অদু নমথেক্তুনা ১১-৯দা থোইদুনা টাইটল লৌখি।

ঙসি নুমিদাং অথেংবদা নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা অর্জেন্টিনাগী জোন মার্টিন দেল পোত্রো অমসুং সর্বিয়াগী নোভাক জোকোভিচকা লম্বা তৌনরগনি।


# আই এ এ এফ কন্টিনেন্টেল কপ্তা নুপীগী ত্রিপল জম্পতা কলম্বিয়াগী কেটেরিন ইবারগুয়েন্না গোল্ড মেদল লৌখ্রে, ইন্দিয়াগী চিত্রা ৪শুবা তাহৌরে

ওষ্ট্রাবা, সেপ্টেম্বর ০৯ (এজেন্সী)ঃ

জেক রিপব্লিক্কী সিটি ওষ্ট্রাবাদা ঙরাংদগী হৌখিবা ইন্টরনেসনল এমেচর এথলেটিক্স ফেদরেসন (আই এ এ এফ) কপ্তা নুপীগী ত্রিপল জম্পতা কলম্বিয়াগী কেটরিন ইবারগুয়েন্না গোল্ড মেদল লৌখ্রে। ইন্দিয়াগী চিত্রা নুপীগী মিটর ৮০০গী লমজেলদা ৪শুবা তাহৌরে।

আই এ এ এফ কন্টিনেন্টেল কপ অসি অফ্রিকা, অমেরিকা, এসিয়া পেসিফিক অমসুং য়ুরোপ হায়না টিম মরি খাইদোক্তুনা লম্বা তৌনবা ত্রেক এন্দ ফিল্ডগী নুমিৎ নীনিগী ওইবা কম্পিটিসননি। মসিদা পূন্না নুপা অমসুং নুপীগী এথলেটশিংনা ইভেন্ট ২০/২০ ওইদুনা অপূনবা ইভেন্ট ৪০দা লম্বা তৌনবনি।

টিম অমনা ইভেন্ট অমদা এথলেট ২/২দগী হেন্না শরুক য়াহনবা য়াদে। অফ্রিকাগী ওইনা শরুক য়ারিবা এথলেটশিং অদু ওগষ্ট ১দগী ৫ ফাওবা কন্টিনেন্ট অদুগী ওইনা সেলেক্সন পাঙথোকখি। য়ুরোপকীনা ওগষ্ট ৭তগী ১২ ফাওবা বর্লিন সিটিদা সেলেক্সন তৌখি। অদুবু অমেরিকা অমসুং এসিয়া পেসিফিক্কী ওইনদি এথলেটশিং অদুগী রেঙ্কিং অদুগী মতুং ইন্না সেলেক্সন তৌবনি।



(ফাইল ফোটো)

নুপীগী ত্রিপল জম্প ইভেন্ট অদুদা অমেরিকাগী টিম মনুং চল্লিবা কলম্বিয়াগী এথলেট কেটেরিন ইবারগুয়েন্না মিটর ১৪.৭৬ চোঙদুনা গোল্ড মেদল লৌখি। সিলভর অদু এসিয়া পেসিফিক্কী কাজখষ্টান এথলেট ওলগা দিপাকোভানা ১৪.২৬ চোঙলগা ফংখি। অদুগা ব্রোঞ্জ অদুনা য়ুরোপকী গ্রিস মচা পারসকেভি পাপাকিষ্টোনা মিটর ১৪.২ চোঙলগা লৌখি।

নুপীগী মিটর ১৫০০গী লমজেলদা এসিয়া পেসিফিক্কী ওইনা শরুক য়াখিবী ইন্দিয়াগী পিয়ু চিত্রা মরিশুবা পোজিসন তাখি।

পনবা য়াই, হন্দক্তা লোইশিনখিবা এসিয়ন গেমসতা চিত্রা ব্রোঞ্জ অমা ফংখিবনি। মহাক্না ঙরাং পাঙথোকখিবা ওষ্ট্রাবাগী ইভেন্ট অদুদা মিনট ৪:১৮.৪৫ চেন্দুনা মরিশুবা তাখি। ইভেন্ট অদুদা অফ্রিকাগী কেনিয়া মচা ৱিনি সেবেটনা মিনট ৪:১৬.০১দা গোল্ড ফংখি। য়ু এস এগী সেলভি হাওলিহলনা মিনট ৪:১৬.৩৬তা সিলভর অদুগা অফ্রিকাগী মোরোকো মচা রাবাবে অরাফিনা মিনট ৪:১৭.১৯দা ব্রোঞ্জ লৌখি।

কম্পিটিসন অসিদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী নুপাগী এথলেট জিনসন জোনসন্না মিটর ৮০০গী লমজেলদা ৭শুবা পোজিসন তাখি। হায়রিবা ইভেন্ট অদুদা অফ্রিকাগী কেনিয়া মচা ইমানুএল কোরিননা মিনট ১:৪৬.৫০দা গোল্ড ফংখি। সিলভর অদুনা অমেরিকাগী য়ু এস এ মচা ক্লেটন মর্ফিনা মিনট ১:৪৬.৭৭তা লৌখি অদুগা ব্রোঞ্জ অদুনা অফ্রিকাগী বোটস্বানা মচা নিজেল অর্নঅমোসনা মিনট ১:৪৬.৭৭তা ফংখিবনি।

নুপীগী মিটর ১০০গী লমজেলদা অফ্রিকাগী আইভোরি কোষ্ট মচা মেরি জোসি টালৌনা সেকেন্দ ১১.১৪ চেন্দুনা গোল্ড লৌখি। য়ুরোপকী গ্রেট বৃটেন মচা দিনা এসর স্মিথনা সেকেন্দ ১১.১৬তা সিলভর ফংলগা অমেরিকাগী য়ু এস মচা জিনা প্রাদিনিনা সেকেন্দ ১১.২১দা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

নুপাগী জেবলিন্দা ঙসি নিরজ চোপ্রা, ত্রিপল জম্পতা অর্পিন্দর সিংহ, মিটর ৪০০দা মোহম্মদ অনাস অমসুং নুপীগী মিটর ৩০০০গী ষ্টিপলচেজদা সুধা সিংহ শরুক য়াগদৌরি।

# ইন্দিয়াগী সমির বর্ম্মা হায়দ্রবাদ ওপন বেদমিন্টনগী নুপাগী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে

হায়দ্রবাদ, সেপ্টেম্বর ০৯ (এজেন্সী)ঃ

বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেসনগী মনুং চনবা সুপর ১০০ টুরগী টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা শেলগী মনা ওইনা য়ু এস দোল্লর ৭৫,০০০ লৈবা হায়দ্রবাদ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলসকী কাঙলূপ্তা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় সমির বর্ম্মা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী মকোক থোংবা শান্নরোয় ওইরিবা সমির বর্ম্মানা সেমী ফাইনেলদা ঙরাং অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় আর এন ভি গুরু সাইদটনা অকনবা লম্বা অমা থেংনরগা ফাইনেল য়ৌরকপনি। অহানবা গেম অদু গুরু সাইদটনা ২১-১৬তা থোইখি। অদুবু অনীশুবা সেটতা সমির বর্ম্মনা ফজরক্তুনা ২১-১৫দা থোইবদগী অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং গেম লম্বা তৌনবদা মখা তানা ফজবা ঙমখিবা মরম্না ২১-১১দা থোইরগা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ঙসি অথেংবদা শান্নগদবা ফাইনেল মেচতা সমির বর্ম্মনা মলেসিয়াগী সুং জু ভেনগা লম্বা থেংনরগনি। মলেসিয়াগী শান্নরোয় অদুনা ঙরাং শান্নখিবা অতোপ্পা সেমী ফাইনেল মেচতা টুর্নামেন্ট অসিগী ৭শুবা সীদেদ ইন্দোনেসিয়াগী ফিরমান অবদুল খোলিকপু ষ্ট্রেট গেম অনী ২১-১৭, ২১-১৪দা মায়থীবা পীখি।



টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসতা ইন্দিয়াগী সাটৱিকসাইরাজ রনকি রেদ্দি অমসুং চিরাক সেথিনা সেমী ফাইনেলদা ঙরাং ইন্দিয়াগী অতোপ্পা পেয়র অরুন জোর্জ অমসুং সনিয়াম সুক্লাবু ২১-১৪, ২১-৬তা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

মিক্স দবলসকী কাঙলূপ্তসু টুর্নামেন্ট অসিগী মকোক থোংবা পেয়র ওইরিবা ইন্দিয়াগী প্রনব জেরি চোপ্রা অমসুং এন সিকি রেদ্দিনা সেমী ফাইনেলদা হোং কোংগী পেয়র চাং টক চীং অমসুং ঙি ৱিং য়ুংবু ২১-১৮, ২১-১৫দা থোইদুনা ফাইনেলদা ইন্দোনেসিয়াগী পেয়র অকবর বিন্টান কাহিয়োনো অমদি ৱিনি কাংদোগা থেংনরগনি।